

মপানগী পাউ

প্রসিদেন্ট ওবামানা পেলিষ্টিনিয়াননা যুএনগী মেম্বরসিপ ওইনবা হোৎনরকপদা ভেটো তৌগনি খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ যুএসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা পেলিষ্টিনিয়ানগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাদা পেলিষ্টিনিয়ানবু যুএনগী মেম্বরসিফ ওইনবা হোৎনরকপগী থৌরাংবু তোকথোক্নবা থেল্লদুনা করিগুম্বা ৱাফম অসি পুখৎলকপা তারগসু যুএসনা মদুবু ভেটো তৌগনি হায়বগী ৱাফম অমা বারাক ওবামানা খঙহনখ্রে হায়না পাউগী ওইবা ছার্স অমনা ফোংদোক্লি।

মসি ওইদুনসু পেলিষ্টিনিয়ানগী প্রসিদেন্টনদি যুএনদা শকখঙহন্নবগী খোঙজং অদু অদুম্মক চংশিনগনি হায়খি। বারাক ওবামানা যুএন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱারোল পীরদুনা হায়রিবদি পেলিষ্টিনিয়ান ষ্টেট অমা শেম্বা হায়বসি ইজরেলগা ৱারী শান্নরগা থোক্কদবনি হায়রি। ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট নিকোলাস সরকোজিনসু ভেটো পীবা অসিনা রিজন অদুদা অতোপ্পা হিংশাগী সার্কিল অমা থোকহনগনি হায়বগী চেকশিন ৱারোল অমা পীবদি লৈরিবনি।

পেলিষ্টিনিয়ানবু যুএন মেম্বরসিপতা ওইননবগীদমক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইনা হোৎনবাঅসি হেন্না কনশিল্লক্লি। লোইননা মিষ্টর অবাসনসু যুএনগী সেক্রেটরি জেনরেল বান কি মুনদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবা লৈরবনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্কতা মশিং য়াম্লবা মীওই চা কয়া মনা রেল্লি পাংথোকপা লৈখি। মসিদা মিষ্টর বাননা হায়জখিবা অদু অয়াবা পীবা লৈবা তারগদি সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মসি য়েংশিল্লগা ভোট লেপ্পগনি। অদুম ওইনমক ভোট অসি পাস তৌনবগীদমক্তা যুএনগী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ১৫ লৈবগী মনুংদা ৯ না শৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈরিবনি। অদুবু মসিদা পার্মানেন্ট মেম্বরশিংদগী ভেটো অমত্তা তৌহল্লোইদবনি। অদুম ওইনমক ওবামানদি মহাক্না ভেটো তৌগনি হায়বা লৈরিবনি। ৱেষ্টর্নগী দিপ্লোমেটশিংনসু মতম হেন্না লৌনবা ভোর্টিং প্রোসেস অসি য়ৈথোক্লবগী লম্বী অমা য়াম্না কন্না থিরিবনি হায়রি।

ওবামাগী ওপোনেন্ট ওইরিবা রিপব্লিকান্নদি পেলিষ্টিনিয়ানশিংবু পুক্লিং ফাথনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়না মরাল শিরি। ওবামানা অমেরিকাগী মরুপ ওইরিবা লৈবাকশিং অমদি ইজরেলনা পাল্লোইদবা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়বসু লৈত্রি হায়রি। মসি ইজরেল গভর্নমেন্টকীদি অফবা খোঙথাং অমা ওইরি অদুগা মিদল ইষ্টকী শান্তিগী খোঙথাংদদি অফবা হায়বদু ওইরোইদৌরিবনি হায়রি।

যুএসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানদি মহাক্কী লৈরিবা ফিরেপ অদু ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনজামিন নেটনয়াহুদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মসি য়ুমশকৈশ নুমিত্তা উন্নখিবদা খঙহনখিবনি। যুএন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা লৌখৎলকপা এক্সন পুন্নমক্তা মদুগী মায়োক্তা লৈগনি হায়না অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খিবা লৈখিবনি। অমরোমদা নেতন য়াহুনদি ইজরেলবু কনখৎখিবসিদা হরাওবা উৎলদুনা থাগৎখিবা লৈখিবনি। অমরোমদা সেনিয়র পেলিষ্টিনিয়ান নেগোসিয়েটর ওইরিবা নবিন নদি পেলিষ্টিনিয়ানা যুএন গী মেম্বর ওইবসি মোরেলি, লিগেলি অমদি পোলিটিকেলগী ওইনা য়াফম থোকপনি হায়রিবনি।

অমরোমদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট সরকোজিনদি কম্প্রোমাইজ তৌনবগী ৱাফম থল্লদুনা জেনরেল এসেমব্লিনা পেলিষ্টিনিয়ানবু নন-মেম্বর ষ্টেটকী ষ্টেটসতা থাঙ্গৎনবা হোৎনফম থোকই হায়রি। মসিনা ৱারী শান্নবগী তাঞ্জা অদু পীগনি হায়রি। পেলিষ্টিনিয়ানবু নন মেম্বর ষ্টেটকী ষ্টেটসতা পীননবা ভোট লৌনখিবাঅসিদা ভেটিকান্নসু নুংঙাইবা পোক্কনি। মসিনা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিকম্মেন্দেসনসু দরকার ওইরোই। মসিদা চুম্নগী জেনরেল এসেমব্লিদা মেজোরিটি ওইরগা পাংথোকপা য়াবা থৌওংনি। মসিদা ভেটোগী ৱাফম লৈরোই হায়রি।

ফ্রান্সকী ফোরেইন মিনিষ্টর অলেন জুপেনদি ইসু অসিগা মরী লৈননা যুএনদা ভোট লৌনবা হায়বসি চয়োল কয়াগী মতম ৱাৎখিগনি হায়রি। অদুম ওইনমক যুএসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা জেনরেল এসেমব্লিদা হায়খিবা ৱাফম অমদদি যুএনদা ষ্টেটমেন্ট অমদি রিজোলুসনশিং লৌরগা শান্তি লাক্কদবা নত্তে হায়রি।

হৌখিবা চহি কয়ারোম চুপ্পা খুৎথোক্নদুনা লাক্লবা লমদম অসিদা অথুবা মতমদা হেক্তা ৱাথোক অসি লোইশিনবা য়াবা নত্তে হায়রি। মসিদি ইজরেল অমদি পেলিষ্টিনিয়ানগী মরক্তা ৱারী শান্নরগা থোক্কদবনি হায়রি। পেলিষ্টিনিয়ানশিংনদি মখোয়না ষ্টেটহুদ তাল্লিবা অদু অরব স্প্রিংনা শৌগৎলি অমদি চহি কয়া চুপ্পা শান্তিগী ৱারী শান্নবদা য়ারকখিদবা মতুংদা ফংখিবা ফলনি হায়রি।

ফ্রান্সতা অহানবা ওইনা মুস্লিমগী নিকাব শেৎপী নুপী অনি কোর্টনা ফাইন তৌহনখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা মুস্লিমশিংগী নুপী ওইবীশিংনা শেৎপা ফিজেৎ ওইরিবা কোকখুম ফি শেৎলগা মীয়াম মরক্তা চৎপদা অথিংবা থম্নবা লৌখৎলকখিবা চৈরক অসিদা ফ্রান্সতা অসিগুম্বা আইন অসিবু শিংনদুনা মায়খুম উপ্পুনা লাকখিবা মুস্লিম নুপী অনি কোর্টনা অহানবা ওইনা ফাইন তৌহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

হিন্দ অমাস অমদি নজাটে নাইট অলি কৌবী নুপী অসিনা নোংপোকথংবা পেরিসকী শরুক্তা লৈরিবা মিউক্স টাউন হোল অমগী মনাক্তা নিকাব শেৎলগা চত্তুনা লৈরমখিবনি। ফ্রান্সকী ওইনা মুস্লিম নুপীশিংনা ধর্ম্মগী চৎনবী ওইনা শিজিন্নরিবা কোকখুম ফি নিকাব অসি শেৎপদা মে থাদগী হৌনা আইনগী ওইনা অথিংবা থমখিবনি।

নুপী অনি অসিনদি মখোয়গী মথক্তা পীরিবা দন্দি অদুগীদমক্তা য়ুরোপিয়ান কোর্ট ওফ হ্যুমেন রাইটসতা অপিল তৌগনি হায়বা লৈরিবনি। মরক অসিদা অতোপ্পা নিকাব শেৎপী নুপী অমনদি মহাক প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইগনি হায়বা লৈরিবনি। শগোলশেল নুমিত্তা নুপী অনি অসিগী মথক্তা দন্দি অদু পীখিবনি। ফ্রান্স লৈবাকখক্তগী নত্তনা য়ুরোপতা লৈরিবা লৈবাক অয়াম্বনা নিকাব শেৎপগী অথিংবা আইন অসি চৎনহনখিবা লৈখ্রবনি।

ইটলি, বেলজিয়ম, দেনমার্ক, ওষ্ট্রিয়া, নেদরলেন্দ অমদি স্বিটজরলেন্দনচিংবা লৈবাকশিংদদি নিকাব থিংবগী আইন অসি চৎনহনখিবা লৈখ্রবনি। হিন্দ অমাস হায়না কৌবী মচা অহুম লৈরবী মপুরোইবগা খায়নরবা নুপী অসি ফ্রান্সকী কোর্ট অদুনা য়ুরোগী শেনফম ১২০ ফাইন তৌহনখ্রে। হিয়ারিং অদু চংথদ্রিঙৈ মমাংদা মহাক মশানসু ফাইন অদু লৌরগনি হায়বগী থাজবা ৱাফম লৈখ্রবনি। মসিনা মহাকপু শিংননবগী তাঞ্জা অমা পীরবনি হায়না হায়রি।

য়ুরোপিয়ান কোর্ট ওফ হ্যুমেন রাইটসতা শিংননবগী থৌনা অদু পীরে হায়নসু হায়রি। অদুগা অতোপ্পা নুপী অমা ওইরিবা নাজাটে নাইট অলিনা য়ুরো ৮০ গী শেনফম ফাইন তৌখি। ফ্রান্সতা নিকাব শেৎপগীদমক্ত্ অহানবা ওইনা ফাইন লৌখিবা অসি নুপী অনি অসিনা ওইরি। ফ্রান্সতা আইনগী ৱাংমদা নিকাব শেৎপগী দমক্তা নুপী ৯১ ফাগৎখিবা লৈখ্রবনি।

হিন্দ অমাসকী মমা মপাশিং অসি মুস্লিমগী অকনবা অহকপা নিতি চৎপদি নত্তে। অদুম ওইনমক চহি ৬ মুক্কী মমাংদা এদুকেটেদ সিঙ্গল ৱিমেন অমা ওইনা অহানবা নিকাব উপখি। মসিগী মমাংদদি মহাক্না মিনি স্কট শেত্তুনা পার্টিনচিংবা য়াওবগী থবক থৌওশিং চংথরমখিবা লৈখি। এপ্রিল থাদগী হৌনা লৈবাক অসিদা নিকাব শেৎপদা অথিংবা লৈখিবা অসিদগী মুস্লিমগী নুপী ওইবী কয়া অমদি বর্বেলি অমদি ফিজিকেলগী ওইনা এটেক তৌবগী থৌওংশিং চংথদুনা লাক্লিবনি।

নেটোগী মিসন নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা লোইশিনবা ঙম্লগনি

ব্রুসেল, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ হৌজিক হৌজিক লিবিয়াদা চংথরিবা লাল অসিদা নেটোনা চংথরিবা মিসন অসি নুমিৎ ৯০ নিগী মতমগী মনুংদা শুংশোই শোয়দনা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা থমখিবগা লোইননা কর্নেল গদাফিদা লোয়েল ওইবা ফোর্সশিংবু সরেন্দর তৌনবা ৱাফম তকশিনখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

চৎলিবা চহি অসিগী মার্চ থাদগী হৌনা নেটোগী লালগী প্লেনশিংনা লিবিয়াদা মীচম প্রজাশিং ঙাক্লবগীদমক্তা কর্নেল গদাফিদা লোয়েল ওইবা ফোর্সশিংগী মথক্তা বোম থাদদুনা লাকখিবনি অমদি মখা তানা বোম থাদবগী থবক থৌওংশিংসু অদুম্মক চংখিগনি হায়রি।

নেটোগী মেম্বর ২৮ লৈবা মেম্বর ষ্টেট অসিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লিবিয়াদা চংথরিবা ওপরেসন অসি নুমিৎ ৯০ নি অমগা শাংদোকপগী অয়াবা পীখিবা লৈখিবনি। নেটোগী লিবিয়াগী কম্মান্দর ওইরিবা লেফটিনেন্ট জেনরেল চার্লস বৌচার্দনদি প্রো গদাফিগী ফোর্সশিংগী এক্টিভিটিশিং অসি মফম অহুমখক্তদা পুনশিন্দুনা লৈরে অমদি মখোয়না কোওর্দিনেট ওইনা এক্সন চংথবা ঙমদ্রে। ঐখোয়না মিসন অসি অকক্লবা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা ৱাফমসু থল্লি। সিভিলিয়ানশিংদা অকিবা পীবা লৈরিবমখৈদি নেটোগী লালগী প্লেনশিংনা বোম থাদবা অমদি লালগী জহাজশিংনা পেট্রোলিং চৎপগী থবক্তি অদুম্মক মখা তানা চংখিগনি হায়না বৌচার্দনা হায়রি। পনবা য়াবদি লিবিয়াদা নুমিৎ ১০ নিগী মতম অসিগী মনুংদা অনৌবা সরকার অমা লৈরবা য়ানা লৈরে হায়না ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর মহম্মদ জিব্রিলনা ফোংদোকখিবা লৈরবনি।

টালিবান্না শান্তি ৱারী শান্নবা ওফর তৌবা তৌশিন্নবা ওদিও সিদি পীরগা রবানিবু হাৎখিবনি ঃহমিদ কারজাই

কাবুল, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ অফগানিষ্টানদা পিছ কাউন্সিলী হেদ ওইরিবা অমদি মমাংদা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা বুরহানুদ্দিন রবানিবু হাৎখিবগী থৌওং অসি মরুওইনা টালিবান্না শান্তিগী ৱারী শান্নসি হায়বগী ওফৰ তৌবা ৱারোল য়াওবা ওদিও অমা ওফিসিয়েলশিংদা পীরবা মতুংদা চংবগী অয়াবা পীখিবনি হায়না প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইগী মায়কৈদগী ফোংদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনা পাংথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱারোল পীরদুনা হায়রিবদি টালিবান্না শান্তিগী ৱারী শান্নবগী ওফৰ তৌবা ওদিও সিদি অদু রবানিবু হাৎননবগীদমক উন্নবা য়াননবা তাৎ ওইরম্লে। বুরহানুদ্দিন রবানি শিখিবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীরদুনা প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনা হায়রিবদি মসিনা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা লাল অসি লোইশিন্নবা হোৎনরিবা থৌরাং অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীরে হায়নসু হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অফগানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা লৈবা মশাগী চহি ৭০ শুরবা বুরহানুদ্দিন রবানিবু কোয়েৎতা এক্সপ্লোসিভ হাপচিন্দুনা লাকখিবা সুইসাইদ বোম্বর অনিনা ৱারী শান্নবা চংগে হায়না চংখ্রগা কোয়েৎতা য়াওরিবা বোম্ অদু পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবনি। প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনা মমাংগী থাংজ নুমিত্তা নিউয়োর্ক্কীদমক্তা খোঙশানিদ্রঙৈ মমাংদা মহাক্কী এদভাইজর ওইরিবা মহম্মদ মাসুন ষ্টানেজাইদনদি টালিবান্না অফগান পিছ কাউন্সিলগীদমক্তা মেসেজ অমা থারকখিবা লৈখি অমদি ষ্টানেজাইদ মশামকসু চংখিবা এটেক অদুদা অশোক অপন নংখিবা লৈখিবনি।

ষ্টানেজাইদনা টালিবানগী মুভমেন্টতগী পাউজেল পুরকপা মীওই অমা লাক্লি। মখোয়না ওদিও সিদি অমা পুরক্লি। মসিদা টালিবনগী রিপ্রেজেন্টিটিভকী মেসেজশিং অদু য়াওই হায়না খঙহল্লকখিবা লৈখি হায়না কারজাইনা হায়রি। প্রসিদেন্ট করজাইনদি নিউয়োর্কতা যুএনগী জেনরেল এসেমব্লিদা য়াওননবা খাঙচৎ পাংথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা মহাক্না ওদিও অদু তাখিবা মতমদা খোঞ্জেলশিং অদু রবানিবু য়াম্না ইকায় খুম্নবা মওংদা ঙাংবা ওইনা তৌই। শান্তিগী ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ৱাহং অনিখক হংলক্লগা সজেসন তৌরকখিবদি লৈখি। মসিগী মতুং তারকপদা হমিদ কারজাইনা রবানিগা ৱারী শান্নখিবা লৈখি।

মহাক্না রবানিদা ৱাফম অদুগী মতাংদা খঙহনখিবদা ইরানদা খোঙচৎ পাংথোক্লিবা রবানিসু রেকোর্দিং অদু তানবগীদমক্তা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক চংখিবা থৌওং অসিনা মদু শান্তিগী মেসেজ পীবা অমদি ওইরমখিদ্রে। লৌনম নমথাক তৌবা ওইরম্লে হায়না হমিদ কারজাইনা হায়রি। প্রসিদেন্টসিয়েল পেলেসকী কোর্টয়ার্দতা শেমখিবা পোদিয়ম অমদা ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মেসেঞ্জর অদুসু শিখি হায়রি।

রবানিগী মীহাৎ অসি থা ৪ রোম চুপ্পা থৌরাং তৌরগা চংথরকখিবা ওইগনি হায়না অফগানগী ইন্টলিজেন্স সার্ভিসকী মীওই অমনা ফোংদোক্লি। অফগান টালিবান গভর্নিং কাউন্সিল ওইরিবা ক্বেটা সুরা হায়রগসু হেন্না খঙনবা অসিনা রবানিগী মীহাৎ অদুদা চৈন্নে হায়নসু হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এটেক অদুগী মতাংদা কনাগুম্বা লুপ অমত্তনা মখোয়না পাংথোক্পনি হায়না ক্লেইম তৌরকখিবা লৈখিদ্রি। টালিবানগী স্পোক্সমেন অমনসু এসোসিয়েট প্রেসকা কন্টেক্ট তৌনখিবা অমদা মখোয়না মীহাৎ অদুগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংখরি হায়রি।

অফগান পিছ কাউন্সিলগী মেম্বর অমসু ওইরিবা রবানিগী য়ুমদা বোম্বর অদুবু পুশিল্লকখিবা মীওই ওইরিবা রাহামাটুল্লাহ ৱাহিদয়ারনসু রিপোর্টরশিংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদদি এটেকর অদুনা মহাক্কী কাদা চংলবা মতুংদা রবানিনা লেপখৎলকখিবদা চংশিল্লগা মহাক্না কোনখিবনি হায়রি। মসিগী মতুং তারকপদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোল তাখি হায়না ৱাহিদয়ারনা ফোংদোক্লি। মসিদা মহাক্কী মমায় অমদি য়েংথংবা সাইদতা পিক্লা ফ্রেকচর ওইরে হায়রি।

চাইনাগা য়েৎনদুনা লৈরিবা সমুদ্রগী লমগী শরুকশিংগী ৱাফম খন্ননবা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন মেরিটাইম এক্সপার্টশিংগী মীফম পাংথোকখ্রে

মানিলা, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ সাউথ এসিয়াগী মেরিটাইম এক্সপার্টশিংনা ফিলিপিন্সকী মায়কৈদগী সাউথ চাইনা সিগী আইলেন্দগী মতাংদা য়েৎনদুনা লৈবা ৱাথোকশিং অসি শন্তাইননবা পুখৎলক্লিবা ৱাফমগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন নৈনবগী থবক চংখখ্রে হায়না পাউগী ওইবা ছোর্স অমনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মেরিটাইম এক্সপার্টশিংনা মীফম পাংথোকখিবদু চাইনাগী মায়কৈদগীদি য়াম্না কন্না য়ানিংদবা উৎপা লৈরিবনি। চাইনা লৈবাক অসিনদি থাও মরাং কায়না লৈরিবা লমদমনি। সাউথ ইষ্ট এসিয়ান মেরিটাইমনা পাংথোকখিবা মীফম অদু মরুওইনা ফিলিপিন্সনা চাইনা থেংননবা য়ুনিফাইদ ওইবা রিজনেল পোলিসি অমা শেম্নবগী ৱাফম হৌদোরকখিবা অদুগী মতাংদসু কুপ্পা খন্ন নৈনখি।

ফিলিপিন্স অমদি ভিয়েটনামনসু মরুওইনা অকনবা ৱারোল পীরদুনা চাইনাগী থৌওং অদুদা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা লৈরিবনি। এসোসিয়েসন ওফ সাউথ এসিয়ান নেসন্সকী মেম্বর ১০ গী মেরিটাইম লিগেল এক্সপার্টশিংনা চংখিবা মীফম অদু লিমিটেদ ওই। চাইনানদি লৈবাকশিং অদুগা বাইলেটরেলগী ওইবা ৱারী শান্নরগা ৱাথোক অসি শন্তাইনবা পুরকপা পাল্লিবনি।

ফিলিপিন্সকী সেনিয়র দিপ্লোমেট অনিনদি নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাংথোকখিবা মীফম অদুগী মতাংদা চাইনাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না য়ানিংদবা উৎপা লৈরিবনি। সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্সকী মেম্বরশিং অয়াম্বনদি য়েৎনরিবা আইলেন্দশিং অদুদা য়াওবা নত্তে। অদুগা করিগীদমক্তা ৱাথোক অসিগী মতাংদা এসিয়ননা য়েংশিনগদৌরিবনো হায়না বৈজিংনা ৱাহং হংবা লৈরিবনি। অসিয়নগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ৪ খক ওইরিবা ব্রুনৈ, মালাসিয়া, ফিলিপিন্স অমদি ভিয়েটনামমনা থাও মরাং কায়না লৈরিবা লমদম অদু মখোয়গী লমদমগী শরুক্লি হায়না ক্লেইম তৌবা লৈরিবনি। অদুগা অতৈ ক্লেইম তৌরিবশিংগী মনুংদা মতম শাংনা চাইনাগা য়েংথিনদুনা লাক্লবা টাইৱানসু য়াওরিবনি।

হৌজিক য়েৎনদুনা লৈরিবা ৱাথোক অসি কনশিল্লকখিবগা লোইননা আইলেন্দশিং অমদি মদুগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংগী শরুকশিং অদু চাইনাগী মমিং পনবদা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা উৎলি। ফিলিপিন্সনা সাউথ চাইনা সিগী লমদম অদুবু ৱেষ্ট ফিলিপিন্সি হায়না কৌখিবা লৈখিবনি। চাইনানা য়েৎনদুনা লৈরিবা ৱাথোক অসি শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনবদা সেঞ্চুরি কয়াগী মতম চংশিগনি হায়না ফিলিপিন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট জেজোমার বিনায়না ফোংদোক্লি। মসি মহাক্না কনফরেন্স অদুদা তিল্লিবা দেলিগেটশিং অদুদা ৱারোল পীরবা মতুংদা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নখিবদা ফোংদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদি য়েৎনদুনা লৈরিবা সমুদ্রগী লমদমগী শরুক অদুদা মালেমগী সুপর টেঙ্করগী শরুক তঙ্খায় অমরোম হেনবদি মফম অদু লান্না চংখোক চৎশিন তৌরিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা উংখৎনবগী মচাক অমসু ওইরিবনি। চইনাগা য়েৎনদুনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অদুগী সিক্যুরিটিদা অকিবা পীবদা নত্তনা মালেমগী ওইনসু অকিবা পীরি হায়রি।

পোপ বেনেদিক -১৬ না জর্ম্মনিদা ওফিসিয়েল ওইবা অহানবা খোঙচৎ পাংথোকখ্রে

বরলিন, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ রোমান কেথলিক চর্চকী হেদ ওইরিবা জর্ম্মন মচা পোপ বেনেদিক -১৬ না মহাক্কী ময়ুম লন্দনদা পোপ অমা ওইনা অহানবা ওফিসিয়েল ওইবা খোঙচৎ পাংথোকখ্রে।

মহাক্না জর্ম্মন পার্লিয়ামেন্টতা ৱারোল পীগনি অমদি বর্লিনগী ওলেম্পিক ষ্টেদিয়মদসু মীয়াম মমাংদা ৱা ঙাংগনি হায়রি। মহাক নুমিৎ ৪ নিগী খোঙচত্তা জর্ম্মনিদা লাকখিবনি। মহাক্না মমাংদা জর্ম্মনগী চান্সেলর ওইরম্বা হেলমদ কোহলগা উন্নগনি অমদি ইরফর্টদা প্রোটেষ্টেন্ট লিদরশিংগসু উন্নগনি হায়রি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা পাংথোকখিবনি। জর্ম্মনদা কেথোলিকি টিচিংগী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্ট তৌবগী থৌওংসিং লৈরিবনি। পোপ অসি বরলিনগী টোগল এয়রপোর্টতা আর্টিলেরি সেলুট তৌরগা গার্ড ওফ ওনর তৌদুনা ওকখি। মসিদা চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেল অমদি প্রসিদেন্ট খৃষ্টান ৱোল্ফকসু উন্নখি। হৌজিক হৌজিক মশাগী চহি ৮৪ শুরবা পোপ অসিনা জর্ম্মনিদা খোঙচৎ পাংথোক্কনি। মহাক্না জর্ম্মনি লৈবাক অসিদা রোমান কেথোলিক মিলিয়ন ২৫ রোম লৈরিবনি। মসি লৈবাক অসিগী পোপুলেসনগী শরুক অহুম থোকপনি। মহাক্না জর্ম্মনিদা মমাংগী মতমদা অনৌবা ওফিসিয়েল ওইনা খোঙচৎ কয়াদি পাংথেখিবা লৈখ্রে।

কেথোলিক ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা রাইনেলেন্দদসু চৎখ্রে অমদি মহাক্কী নেটিভ ওইরিবা বারভারিয়াদাসু খোঙচৎ পাংথোকখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা হিষ্টোরিকেল ওইনা প্রোটেষ্টেন্ট রিজন অমদি আইথেষ্টিক ওল্ড জর্ম্মনিগী জগাশিংদসু চৎকনি হায়রি। জর্ম্মনগী চান্সেলর মিসেস মারকেনগী মচানুপী লুথরেন পাষ্টরনা পোপকী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা খৃষ্টানশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তি অমা শাগৎপা ঙমগনি হায়রি।

খঙজিনবদা কান্নবা

মালেমদা ইন্দিয়াগী সিনেমাবু শক্তাক্লমখিবা শিংথানিংঙাই ওইবা মীওই

সত্যাজিৎ রায় ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনরবা ফিল্ম দাইরেক্টর অমদি স্ক্রিন রাইটর অমনি। মহাক্কী সেন্সিটিভ ওইবা অমদি ভিজুয়েলি ইন্টরেষ্টিং ওইবা ৱার্ক অসিনা মালেমগী মীয়াম্না ইন্দিয়ান সিনেমাবু ইচম চম্না ইন্টরটেনমেন্টখক্তগী ওইনা উবা ঙমহন্দে। ইং ১৯২১ গী মতমদা সত্যাজিৎ রায়না কোলকতাদা পোকখি। মহাক বুক ইলুষ্ট্রেটর অমদি এদভরটাইজিং ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। মতম অদুদা মহাক্না বেঙ্গলিগী নোভেল 'পান্থর পঞ্চলি' বু ইংলিসতা ইথোকপা 'দ সোং ওফ দ রোদ' অসি উৎখি। মসিগী ৱারী অসি মরুওইনা অপু কৌবা লাইরবা পুরোহিতগী মচানুপা অমগী ৱারীনি। অপুনা নোভেলিষ্ট অমা ওইবা পাম্বগা লোইননা মহাক্কী অপিকপা লমদম ভিলেজদগী কোলকতা সিটিদা চৎপা পামখি। ষ্টোরি অদুনা ত্রেদিসনেল অমদি মোর্দন লাইফকী মরক্তা লৈবা কনফ্লিক্ট অদুসু উখোক্লি। মসিদা রায়না পন্থর পঞ্চলিবু ফিল্ম ওইনা নম্লিংবগী অপাম্বা উৎখি। মমিং চৎলবা ফ্রান্সকী দিরেক্টর জিন রেনোয়রসু মহাকপু পুক্লিং থৌগৎখিবগা লোইননা ১৯৫২ গী মতমদা মহাক্কী মরুপশিংবু এক্টর অমদি ফিল্ম ক্রু ওইনা শিজিন্নদুনা ফিল্ম নম্বা হৌখি। অহানবদা মহাক্না পৈশা পুথোক্তুনা হোৎনজখি। অদুবু কোন্নদি ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্নমেন্টনা মতেং পাংলকখি। ১৯৫৫ তদি ফিল্ম অসি মপুং ফানা লোইশিনবগা লোইননা ১৯৫৬ কী কেনস ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা পন্থর পঞ্চলিনা মরুওইবা এৱার্দ অমা ফংবা ঙমখি। মসিগী মতুংদা রায়বু ইন্দিয়ান ফিল্ম মেকর ওইনা মালেমগী মীয়াম্না ইকায় খুম্নখি।

পাকিষ্টানদা মশক নাইবা মিলিটেন্ট ১ হাউস এরেষ্ট তৌনবা খঙহনখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২২ ঃ হৌখিবা থা অনিমুক্কী মমাংদা জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লম্বদগী থাদোকখ্রবা মশক নাইরবা ইস্লামিক মিলিটেন্ট অমবু সনি অমদি সিয়েট মুস্লিমশিংগী মরক্তা খৎনহন্নবা ইনশিল্লি হায়বগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মতম খরা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্ননবা পাকিষ্টানগী গভর্নমেন্টনা খঙহনখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোক্লি।

পাকিষ্টানদা আইন্না অথিংবা থমখ্রবা সনি এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ লাস্কর ই জাংবিগী ফাউন্দর ওইরিবা মালিক ইসাক পু মাইনোরিটি ওইরিবা সিয়েটকী মীওই কয়া হাৎপগী থৌদোক্তা চৈন্নে হায়না মরাল শিরিবনি। মহাক হৌখিবা চহি ১৪ রোম চুপ্পা জেলদা বন্দি ওইনা থল্লবা মতুংদা মহাক্কী মথক্তা চপ চাবা শাক্ষি শাবোনশিং ফংদ্রে হায়বগীদমক্তা সুপ্রিম কোর্টনা জুলাই থাদা বেলদা থাদোরকখিবনি।

মহাক থাদোরকখ্রবা মতুংদা পব্লিক স্পিচ পীদুনা সিয়েটশিংগী মায়োক্তা শাওনিংবা পোক্লবা ইনশিল্লি। পাকিষ্টানদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ১৫ গী চাংদি সিয়েটশিং না ওইরিবনি হায়রি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পঞ্জাবকী প্রোভিন্সিয়েল গভর্নমেন্টনা ইসাকপু ময়ুমদা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা ফাজিন্দুনা থম্নবা ওর্দর তৌখিবনি। ইসাককী লমচৎ শাজৎশিং অসি লৈবাক অসিদা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্নना লৈনবা হোৎনবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লে। মসিনা লৈবাক অসিদা জাৎ কাংলুপ নাইবগী ৱাখল্লোন পোকহন্দুনা কাংলুপ মশেল হাৎননবা শিলহল্লে হায়রি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলনা পাকিষ্টানগী গভর্নমেন্টপু লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিয়েট জাতিশিংবু ঙাক শেন্ননবা মতিক চাবা খোঙথাংশিং লৌখৎতে হায়না মরাল শিরকখিবা মতুংদা মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্নবা হুকুম অসি থোরকখিবনি। পাকিষ্টানগী গভর্নমেন্টনা শাংলবা মতম অসিদা মখোয়গী অচান মীরাই নাইবা মওংদা শেল্লিবা সোসাইটি অসিবু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা দাইত্ব লৈনা থবক তৌবা ঙমদ্রি হায়না লন্দনদা বেজ তৌবা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপকী মায়কৈদগী পীখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোংদোক্লি।

LOST

I have lost my saving Pass Book A/C No. S/B-0353010533195 issued by the U.B.I. Thoubal Branch on the way in between Thoubal and Imphal on 22nd Sept. 2011.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Smt. Sarangthem Rekha Devi
W/o (L) Sanatombi Singh
Thoubal Bazar, Near Kanhai & Sons A.O.C.

NT/B/23

[illegible]
[illegible] JOBS CONSULTANTS
KONUNG MAMANG ANDRO PARKING, IMPHAL EAST
Regd. L.E. M. No. [illegible] Govt. of Manipur

Sl	Name of Post	Qualification	No. of Post	salary
1	Manipur [illegible]			
	i) [illegible]	Graduate	2	[illegible]
	ii) Teacher (Residential)			
	English, Social Science	MA/BA	6	Negotiable
	iii) Wonder Rhyme Teacher	[illegible]	[illegible]	Negotiable
	iv) [illegible]	VIII above	[illegible]	[illegible] above
	v) Driver (Light/Heavy)	VIII above	[illegible]	[illegible] above
	vi) [illegible]	Nil	[illegible]	[illegible] above
	vii) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible] above
	viii) Computer Operator	[illegible]	[illegible]	[illegible] above
	ix) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible] above
	x) [illegible]	VIII above	[illegible]	[illegible] above
	xi) Sweeper/Mali	Nil	[illegible]	[illegible] above
2	[illegible]			
	i) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
	ii) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
	iii) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
	iv) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
3	[illegible] All India			
	i) Cabin Crew [illegible]	[illegible] Graduate	[illegible]	[illegible]
	ii) [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible] above
	iii) Flight Attendant			
	Team Leader	X, XII	[illegible]	[illegible]
	iv) [illegible]			
	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]

Last Date : [illegible] 2011 Helpline No.
Interview Date : [illegible] 2011 [illegible]

NT/36847/13,17,21,24,27

COMPACT TUTORIALS
PAONA BAZAR, GOVERNOR ROAD CROSSING
FULFILL YOUR DREAMS THROUGH US
THE BEST AND THE MOST TRUSTED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN INTENSIVE REVISION COURSE ADMISSION OPEN
FOR CLASS X (BOSEM)
Subject : English, Mathematics, Science & Social Science.
Class starts from - Wednesday 3rd October to Friday 25th November, 2011.
Morning shift- 4.30 a.m. to 7.00 am Evening Shift - 4.30 p.m. to 7.00 p.m.
Special Features -
- Thorough digestion of text book.
- Intensive analysis of probable questions along with answers.
- Well planned & designed study materials based on blue print at free of cost.
- Mock test every Sunday.

BOOK NOW LIMITED SEATS DO NOT MISS THIS OPPORTUNITY.
For details -
Contact Office of Compact Tutorials
Weekdays - 5 am to 7 am.
Sunday- 5 am - 8 am.
Wanted a DTP Operator
CONTACT - 9856145824/9862268108/9612001684/9862599722
NT/37066/23,24

ADMISSION OPEN
5th Batch Foundation (Plus) Course
(5 months) - VIII, IX & X (BOSEM & CBSE)
MATHS, SCIENCE, SOCIAL SCI. & ENGLISH
BIG BRAIN
CLASS STARTS ON 1st SEPT. 2011
TIME : 4:30 P.M. TO 7:00 P.M. Limited seats Teacher student ratio 1:30
VENUE : SAGOLBAND POPULAR PRIMARY SCHOOL
SAGOLBAND - " NEAR MOTHERS' CARE HOSPITAL
- A one-stop solution for confused & overburdened students + worried/Tensed parents
- A learning environment conceptualized by an excellent pool of talented professionals from the field of education & strategic management

[illegible] - Dr L. Doiendra Singh
Managing Director
9856400267
10:00 a.m To 7:00 p.m.
*Special features
(a) Career Counselling
(b) Counselling exam Oriented skills and many more.
VAN FACILITY*
• MBBS, ENGINEERING, MBA IN INDIA
CONTACT : E. IMOCHOUBA, FACULTY-BIG BRAIN - +91 [illegible], 8089364489
NT/37064/23,25

ৱাকৎবা

Shri Sansam Tombi Singh, 21/8 IW-II DCC Member না Naoriya Pakhanglakpa Block Congress Committee গী Election গা মরী লৈননা চাওখৎ থৌরাংগীনি হায়বা অইবা চেরোল অমা পায়রগা Block Congress কী Unit President কী তঙাইফদবা সহিনি হায়জিন্দুনা অচম্বা চেদিংদা ঐনা সহি তৌথোক্লুরে। সহি অদুনা শ্রীসোইবম সুবাসচন্দ্র সিংহবু Block অসিগী Congress কী Ticket তানবদা শীজিন্নবনি হায়না তাজরে। ঐ ইশাদি Block অসিগী 21/29 গী Congress কী Candidate ওইবদা শুকয়া য়াজবা ঙমজরোই। ঐবু নমথাক তৌবিরে। শ্রী সনসম তোম্বী সিংহ, IW-II, DCC গী মেম্বরবু ব্লোক অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা এক্সন লৌবিনবা খবরগী থোঙদা ৱাকৎচরি।

ৱাকৎচরিবা
L. Labango Singh
Unit President 21/29
Hiyangthang
Mamang Leikai

NT/37057/23